**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 29-04-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা ঙরাং চুরাচান্দপুর জিলাগী ফুনচুনজাং অমসুং মোলসাংদা বঙ্কর অনি থুগাইখ্রে।

২) মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মণিপুরদসু ঙসি ইন্তরনেসনেল ডান্স ডেগী থৌরম পাঙথোক্কনি।

অমসুং

৩) ইন্দিয়ান কোষ্ট গার্দনা গুজরাতকী পোরবন্দর হিথাংফমদা পাকিস্তানগী হি অমদগী লুপা কোতি ৬০০ লোমগী মমল ওইগদবা ড্রগ কিলোগ্রাম ৮৬ ফারে।

------

সেক্যুরিতি (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চিংনবা মফম কয়াদা থিবা হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়- চুরাচান্দপুর জিলাগী ফুনচুনজাং অমসুং মোলসাংদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা বঙ্কর অনি থুগাইখি।

নেসনেল হাইৱে নম্বর ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী অমসুং নেসনেল হাইৱে নম্বর টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা

নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ২৩৪ ইম্ফাল্লোমদা পুশিল্লকখি।

রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চ্যেক পোইন্ট ১২৮ হাংদোক্কুনা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবগী থবক চথখি। মদুদা চিংনবা মীওই ৭৯ লোম ৱাহং পাউহং তৌখি।

মীখল (এল) ঃ আউটর মণিপুর লোক সভা সিটকী পোল্লিং ষ্টেসন ৬ তা হয়েং হন্না ভোৎ থাদনরগনি। ভোৎ থাদবা অয়ুক পুং ৭ তগী হৌরগা নুংথিল পুং ৪ ফাওবা চথগনি। লোক সভা মীখলগী অনিসুবা তাঙ্কক্তা থা অসিগী ২৬ তা হায়রিবা পোল্লিং ষ্টেসন ৬ অসিদা পাঙথোকখিবা মীখল অদু চৎনররোই হায়না ইলেক্সন কম্মিসন্না মফমশিং অদুদা অমুক হন্না ভোৎ থাদনবা খঙহনখিবনি। পোল্লিং ষ্টেসনশিং অদুগী মনুংদা উখ্রুল জিলাগী ৫ অমসুং সেনাপতি জিলাগী ১ য়াওরি।

এনসিইআরতি (এল)ঃ এন.সি.ই.আর.তি নিউ দিল্লিগী মখাদা এস.সি.ই.আর.তি নিড দিল্লিদা ফোংবা লাইরিক লার্নিং থ্রু ত্রেদিসনেল গেমসতা মণিপুরগী মশান্না মুকা কাংজৈবু মিজোরমগী মশান্না ওইনা শকখঙদুনা লান্না ফোংবা থেংনরে। মসি অথুবা মতমদা চুমথোকপীনবা ইজ্কেস (এস) বিভাগকী ফিজিকেল ইজ্কেসন টিচরস এসোসিয়েসন্না এন.সি.ই.আর.তি অমস্ং এস.সি.ই.আর.তি নিউ দিল্লিদা তকশিনখ্রে। মুখ্য মন্ত্রি, শিক্ষা মন্ত্রি, এস.সি.ই.আর.তি মণিপুর অমসুং সি.এস.ওশিংনা হিরম অসিগী মতাংদা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চংহৌবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়রি।

বন্দ (এল)ঃ ইম্ফাল-পাঙ্গৈ রোদ জোইন্ট দিভলপমেন্ট কমিতিনা ইম্ফাল-পাঙ্গৈ লম্বী শেম্বীদবগী মায়োক্তা ঙসি লম্বী অসি বন্দ তৌগনি হায়না তৌরম্বদু তোকখ্রে। সরকারগী মাইকৈদগী অথুবা মতমদা লম্বী অসি শেম্লগনি হায়না

থাজবা পীরকপদগী বন্দ তৌবগী খোঙজং অসি মতম খরগী ওইনা হন্দোকপনি হায়না কমিতি অসিনা হায়রি।

ডে (এল) ঃ  মালেমগী মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মণিপুরদসু ইন্তরনেসনেল ডান্স ডেগী থৌরম ঙসি পাঙথোক্কনি। রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মহারাজ চন্দ্রকৃতি ওদিতোরিয়মদা পাঙথোক্কনি। পালন থৌরম অসিদা মাইবী জগোই, মরিং ৱার ডান্স, কবুই জগোই, থৌগল জগোই য়াওনা তোঙান তোঙানবা জগোই মখল কয়াসু উৎকনি।

ড্রগ ঃ  ইন্দিয়ান কোষ্ট গার্দনা গুজরাতকী পোরবন্দর হিথাংফমদা পাকিস্তানগী হি অমদগী লুপা কোতি ৬০০ লোমগী মমল ওইগদবা ড্রগ কিলোগ্রাম ৮৬ ফারে।

সরকারগী পাউনা হায়- ইন্দিয়ান কোর্ষ্ট গার্দ, গুজরাত এন্তি তেরোরিজম স্কৱাদ অমসুং নার্কোটিক্স কন্ট্রোল ব্যুরোগী অপুনবা কাংবুনা হিথাংফম অদুদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা মীওই ১৪ গা লোয়ননা ড্রগশিং অদু ফাখিবনি। ফারবা মীওইশিং অমসুং পোৎলমশিং অদু পোরবন্দর পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

নোতিফিকেসন ঃ ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী ৬ শুবা তাঙ্কক্কী নোতিফিকেসন ঙসি থোক্লগনি। তাঙ্কক অসিদা রাজ্য ৬ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ১ গী পুন্না লোক সভা কেন্দ্র ৫৭ তা মথং থাগী ২৫ দা ভোৎ থাদনগনি।

৬ শুবা তাঙ্কক্তা দিল্লিগী লোক সভা কেন্দ্র ৭, হরিয়ানাগী ১০, উত্তর প্রদেশকী ১৪, বিহার অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলগী ৮-৮, উরিষাগী ৬ অমসুং ঝারখন্দগী লোক সভা কেন্দ্র ৪ দা মীখল পাঙথোক্কনি। মীরেপচে পীশিনবগী অরোইবা মতম মথং থাগী ৬ নি। জ়ন ৪ দা ভোৎ মশিং থীগনি।

রিজাইন ঃ  দিল্লি কংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট অরবিন্দর সিংহ লভলি ফম থাদোকখ্রে।

কংগ্রেস প্রসিদেন্ট মালিক আর্জ্ন খরগেদা ইবা চেরোল অমদা শ্রী লভলিনা হায়- দিল্লিদা দল অসিনা আম আদমি পার্তিগা চুংশিন্ননবা হোৎনৈ। মহাকা হায়- দিল্লি কংগ্রেসকী কর্ম্মিশিং আম আদমি পার্তিগী অরানবা প্রোপেগন্দাদা পেন্নদ্রে। দিল্লিগী আম আদমি পার্তিগী সাসন মখাদা মমাংগী শিলা দিক্সিত সরকারনা সাসন তৌরম্বা অদুগী মতুংদা আম আদমি পার্তিনা মীয়ামগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা কা হেন্না শোকচিনহল্লে।

কাশ্মীর ঃ জম্মু কাশ্মীরগী উধমপুর জিলাদা ঙরাং তেরোরিষ্টশিংগা নোংমৈ কাপ বগী থৌদোক্তা ভিলেজ দিফেন্স গার্দ অমা শিরে।

অকাশবানি জম্মু পাউমীনা হায়- উধমপুর জিলাগী বসন্তগর এরিয়াদা পুলিস অমসুং ভিলেজ দিফেন্স গার্দকী অপুনবা কাংবু অমগা তেরোরিষ্টশিংগা নোংমৈ কাপবগী থৌদোক্তা মহামদ সরিফ কৌবা মীওই অদু লৈখিদবনি। থৌদোক অদুগী তুংদা উধমপুরদগী সেক্যুরিতিগী মীওইশিং মফমদুদা থোমজিনখি অমসুং মফম অদু কোইশিন্দুনা থি হুম্বগী থবক চংখি। তেরোরিষ্টশিং অদু হন্দক্তা পাকিস্তানলোমদগী নারোনদা চংশিল্লকপশিং ওইরমগনি হায়না থাজনরি।

ইরাক ঃ ইরাক্কী পার্লিয়ামেন্টনা নুপা মশেল নত্রগা নুপী মশেল লৌন-লৈনবা আইন্না য়াদবা থৌওংনি হায়না মসিগী মতাংদা আইন অমা পাস তৌখ্রে। আইনগী অসিগী মখাদা নুপা মশেল নত্রগা নুপী মশেল য়ুম্বানবগী মরী লৈনরম্লবদি য়াম্লবদা চহি ১৫ জেলদা থম্বা অমসুং অসিগুম্বা থৌওংবু শৌগৎপা মীওইশিং য়ামদ্রবদা চহি ৭ তি শুকশোই শোইদনা জেলদা থমগনি। লৈবাক অসিদা মীওই অমনা মহাক্কী বাইওলোজিকেল জেন্দর হোংদোক্লবদি চহি ১ দগী ৩ ফাওবা জেলদা থম্বগী ৱাফমসু আইন অদুদা পল্লি।

ক্রিকেট ঃ ভারত অমসুং বঙ্গলাদেশকী মেটচ মঙা শান্নগদবা নুপীগী টি.ত্বেন্তি ক্রিকেটকী অহানবা মেটচ ভারতনা বঙ্গলাদেশপু রন ৪৪ থোইরে। ঙরাং

বঙ্গলাদেশকী সিলহেট ইন্তরনেসনেল ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ভারতনা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৪৫ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা বঙ্গলাদেশনা রন ১০১ তমক লৌখি।

ক্রিকেট ঃ  আই.পি.এল ক্রিকেটকী ঙরাং চেন্নাইগী এম.এ. চিদম্বরম ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা চেন্নাই সুপর কিংসনা সন রাইজরস হায়দ্রবাদপু রন ৭৮ দা মায়থিবা পীখ্রে।

অহমেদবাদকী নরেন্দ্র মোদি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদনা রোয়েল চেল্লেঞ্জরস বেঙ্গলুরুনা গুজরাট তাইতান্সপু ৱিকেট ৯ দা মায়থিবা পীখি।

কোলকাতাগী ইদেন গার্দেন্সতা ঙসি দিল্লি কেপিতেলসগা কোলকাতা নাইট রাইদরসকা শান্নগনি। মেটচ অসি নুমিদাং পুং ৭ মখায়দগী শান্নবা হৌগনি।

## --নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুরদা ঙসি ফোংলিবা পাউচেশিংদা- ইম্ফাল ৱেষ্টকী কৌত্রুক অমসুং কদাংবনদা কুকি মিলিটেন্টশিংগা নোংমৈ কাপবা, হয়েং আউটর মণিপুর লোক সভা কেন্দ্রগী পোল্লিং ষ্টেসন ৬ তা নৌনা ভোৎ থাদনগদবা অমসুং বিষ্ণুপুরদা সি.আর.পি.এফকী জৱান হাৎখিববু য়ানিংদবা ফোংদোকরপগা পাউনা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা- কদাংবন্দদা কাপবা কুকি মিলিটেন্ট অনি শিরগা অনি শোকখ্রে হায়বা পাউনা বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি পোকফম, মণিপুর নিউজ, মোর্নিং বেল, মণিপুর মেল, নহারোলগী থৌদাং, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, সনালৈবাক, পিপলস ক্রোনিকল, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসন অমসুং হুইয়েন লানপাউদসু তোঙান তোঙানবা মওংদা

হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- আউটর মণিপুর লোক সভা কেন্দ্রগী পোল্লিং ষ্টেসন ৬ তা নৌনা ভোৎ থাদনরগনি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তমেংলোং টাইমস অমসুং গানফিউ মেলদসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ষ্টেট অসিগী মীয়াম ঙাক শেন্নবা লাকখিবা সেক্যুরিতিদা টার্গেৎ তৌরকপা লাইবক থিবনি হায়বা চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফমনা পোকফম পাউচেগী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

বিষ্ণুপুরদা সি.আর.পি.এফকী জৱান হাৎপদা চেন্নবশিংগী মথক্তা জষ্টিস শোইদনা ফংহনগনি হায়না আই.জি- সি.আর.পি.এফনা ফোংদোকখিবা ৱাফম মণিপুর নিউজ পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেস অমসুং শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

বিষ্ণুপুরগী থৌদোক সি.বি.আই নত্রগা এন.আই.এনা থিজিনহনগদবনি হায়না কোকোমিনা ফোংদোকখিবা ৱাফমসু পাউচে খরদা ফোংলি।

কামজোংদা ম্যান্মার মচা লিশিং ৫,৭০০ হেন্না চংজফম লৌদুনা লৈরি, সেন্ত্রেলগী অয়াবা য়াওদে হায়না পাউমীশিং ম্যান্মার মচা থল্লিবা রিফ্যুজি কেম্পতা চংহল্লকখিদ্রে হায়বা পাউনা সনালৈবাক পাউচেগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

শকাইরবা অইবী অরাম্বম মেমচৌবীগী নোংথ্রৈ পরেং কৌবা মহাক্কী অহানবা উপন্যাস ফোংখিবা পাউ ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী এনকর কলমদা ফোংলি।

লোক সভা মীখলগী অনিসুবা তাঙ্কক্তা নুপী মীরেপ চাদা ৮ খক ওইখি হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদগী একনকর কলমদা ফোংলে।

ঙাংবম দিপাপতিনা জিওরজিয়াদা পাঙথোকপা জ্দোগী কেদেট য়ুরোপিয়ান কপতা গোল্ড মেদল লৌখিবগী পাউ অয়াম্বা পাউচেশিংগী শান্নবা লমায়দা ফোংলি।

------